# লুপা কোতি ১গী ডিমান্দদা ফাজিল্লুবা অমা রেস্ক্যু তৌহৌরে

## পুলিসনা চেন্নবনি হায়বা মীওই ৩ সু ফাগৎলগা মচিন হংলি

*থৌদাং পাউমীদগী*

***ইম্ফাল,** মার্চ ২৫ঃ* মশক খঙদবা খূৎলাই পায়বা খূৎপু অমনা লুপা কোতি অমগী শেলগী ডিমান্দদা মীওই অমা ফাজিন্দুনা থল্লুরে। পুলিসনা মীওই অদু খূৎলাই পায়বশিংগী মখূৎতগী তেক্ত-কাইদনা রেস্ক্যু তৌবা ঙমহৌরে।

মরকসিদা পুলিসনা থৌদোক্তুদা চেন্নবনি হায়বা মীওই অহুম ফাগৎলগা মচিন হংবগী থবক চথখ্রে হায়রি।

প্রেসনা পুলিসতগী ফংবা পাউনা হায়, শকখঙদবশিংনা ফাজিন্দুনা থল্লম্বদগী রেস্ক্যু তৌহৌরবা মীওই অদুগী মমিংনা খ্বাইরাকপম ইবুঙো সিংহ (৪০) অপোকপা কোমোল কৌই। মহাক চুড়চান্দপুরগী খুমুজাম্বা মৈতৈ লৈকায়দগীনি।

মহাক ঙরাং নুমিদাং পুং ৭:৩০ রোম তারকপদা চুড়চান্দপুর পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা লৈকায় অদুগী লম্বীগী মফম অমদগী মোতোর সাইকল বজাস পলসর অমদা লাকখিবা মীওই খরানা ফাখিবনি।

ইবুঙো চুড়চান্দপুর নিয়ু মার্কেটতা হেমাম মোমোচা কৌবা মীওই অমগী চিকন সেন্তরদা সেলসমেন ওইনা লৈবনি। মহাক্না রেজিষ্ট্রেসন নম্বর থাদ্রিবা অঙৌবা মচুগী হোন্দা এক্টিভা অমা তোংলগা ময়ুম তম্না লাকপদা লম্বীদগী গাড়ীগা কোন্ননা পুল্লপ ফাদুনা পুখিবনি।

শকঙদবশিং অদুনা মহাকপু অহিং অমা ফাজিন্দুনা থমখ্রবা মতুং মহাক্না থবক তৌরিবা চিকন সেন্তর অদুগী মপুদা লুপা কোতি অমা থাদোকমল ওইনা পীনবা মোবাইল ফোনগী খুত্থাংদা শেলগী ডিমান্দ অদু তৌরকখি হায়রি।

মরকসিদা ঙসি নুংথিল অথেংবা পুং ৫:১৫ রোম তারকপদা শকখঙদবশিংনা ফাজিন্দুনা থল্লকখিবা ইবুঙোবু চুড়চান্দপু ডিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী অখন্নবা তিম অমনা গেলজাং খূল মনাক্তগী তেক্ত-কাইদনা রেস্ক্যু তৌবা ঙমহৌরে।

মহাকপু ফাজিন্দুনা থল্লকখিবা অদুদা চেন্নবনি হায়বা মীওই অহুমসু পুলিসনা ফাগৎতুনা ৱাহং-পাউহংগী থবক চথরি। অদুবু মখোয়গী মমিং-মথাদি পুলিসনা ফোংদোকউ হায়বা য়াদনা লৈরি।

ইবুঙোবু ফারবা মতুং থাদোকমল ওইনা লুপা কোতি অমা ডিমান্দ তৌরকখিবা অদু করম্বা 'য়ু জি' গ্রুপনো হায়বদু খঙদোক্লবা য়াম্না কন্না হোৎনরি। অদুবু মহাকপু ফারুবা অসিদি 'গেঙ' খূৎপু ওইগনি হায়বগী চিংনবা লৈ হায়নসু ডিষ্ট্রিক্ট পুলিস অসিগী ওফিসার অমনা *নহারোলগী থৌদাং*-দা ফোংদোরক্লি।